# টর্কিগী কূ এটেম্পতা জেনরেল, এদমিরেল ৮৫ ট্রাইঅল চত্থরিঙৈদা জেলদা থম্নবা কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে



অঙ্কারা, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ
ফেল ওইখিবা কূ এটেম্পতা জেনরেল অমসুং এদমিরেল ৮৫ না লৌখিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা চত্থগদবা ট্রাইঅল অমদি ৱারেপ ঙাইরিঙৈদা মখোয়বু জেলদা থম্নবা কোর্টশিংনা ওর্দর তৌখ্রে হায়না টর্কিগী ষ্টেটনা রন তৌবা ন্যুজ এজেন্সীনা ঙসি ফোঙদোক্লি। অতৈ কয়া অমসু হৌজিক ৱাহং পাউহং চত্থরি হায়না ন্যুজ এজেন্সী অদুনা মখা তারি।

অনাদোলু এজেন্সীনা হায়খি, হৌনবী মতুং ইন্না ফারবশিং অদুগী মনুংদা জুলাই ১৫গী লালহৌ অদুগী রিংলীদরনি হায়না মরাল শীরিবা হান্নগী এয়র ফোর্সকী কম্মান্দর জেনরেল অকিন ওজটর্ক অমসুং টর্কিগী সেকেন্দ আর্মিগী কম্মান্দর অদেম হুদুদি য়াওরি। জেনরেল হুদুদি অসি সিরিয়া, ইরান অমসুং ইরাক্তগী লাকপা থ্রেটশিং থেংননবগী চার্জসু পায়রিবনি হায়রি।

অনাদোলুগী মতুংইন্না ওজটর্কনা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। কূ অদুবু থৌরাং তৌখিবা নৎত্রগা মদুবু লমজিং-লমতাকখিবা অমত্তা লৈতে হায়না মহাক্না হায়খ্রে।

লান্মীশিং য়াওনা গভর্ণমেন্টবু শৌগৎপা মীওই ২০৮ অমসুং কূগী শরৌদা য়াওবা ২৪ হাৎখিবা কূ এটেম্প অদুদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই লিশিং কয়া ওথোরিটিশিংনা ফাগৎখ্রে। কূদুগী মরুমদা য়ু এসতা বেজ তৌবা মুস্লিম ক্লারিক অমা লৈ হায়না টর্কিশ গভর্ণমেন্টনা মরাল শীরি। মহাক্না মরী লৈনবনি হায়না চিংনবা জুদিস্যারি অমসুং ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল লিশিং কয়ামুক মফম লৌথোকখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউহং চত্থখ্রে হায়রি।

"দিমোক্রেসি অমত্তনা লান্মীশিং, প্রোসিক্যুটরশিং, পুলিস, জজশিং অমসুং ব্যুরোক্রেটশিংবু ইন্সটিট্যু- সনেল ব্যুরোক্রেসিদগী নৎতবা মপানগী ওর্গনাইজেসন অমদগী ওর্দর অমত্তা লৌহল্লোই হায়না প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়্যিপ ইর্দোগননা লৈবাক-পোকপগী অঙনবদা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিংদা হায়খি।

প্রসিদেন্ট অমসুং অতৈ ওফিসলশিংনা শিবগী চৈরাক নৌহৌননা চৎনহন্নবগী ৱাফম কন্না হৌদোকখ্রে। মদুগী প্রেক্টিস অদু কুমজা ২০০৪ দা টর্কিনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা য়াওনবা হোৎনবদা মুত্থৎখিবনি।

"ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু টেঙ্ক অমসুং বোমশিং শীজিন্নদুনা হাৎপা লৈবাক অমদা ঐখোয়না তুমিন্না লৈথোকপা তারবদি পোলিটিকেলগী মীওইশিং ওইনা ঐখোয়গী তুংগী জেনরেসনগী মীওইশিংনা ঐখোয়দা মরাল কয়া শীরগনি" হায়না ইর্দোগননা হায়খি। মহাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনা য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়ামুক্তা কেপিটেল পনিশমেন্ট চৎনরি হায়খি।

পার্লিয়ামেন্টদা ৱা ঙাঙলদুনা ওপোজিসন নেসনলিষ্ট মুভমেন্ট পার্টিগী চ্যেরমেন দেভলেট বাহসেলিনা হায়খি, রুলিং জষ্টিশ এন দ দিভলপমেন্ট পার্টিনা শিবগী চৈরাক নৌহৌননা চৎনহন্নবা হোৎনরকপা তারবদি মহাক্কী পার্টিনা লেজিসলেসন অদু শৌগৎপনি। অসিগুম্বা লেজিসলেসন অমা পাস তৌবদা ইর্দোগননা ওপোজিসনগী সপোর্ট তঙাই ফদনা চঙগনি হায়রি।

ইরাই নুমিৎকী কূ অদুদগী অহিং খুদিংগী মরু ওইবা স্কৱারশিংদা রেলিশিং পাঙথোরক্লিবা গভর্ণমেন্টবু শৌগৎপা মীওই কাঙবুশিংনা লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবা মীওইশিংবু শিবগী চৈরাক পীনবা তকশিন্দুনা লাক্লিবনি।

# পাকিস্টান হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিশকী ফাখিবা মচানুপা টালিবানগী মখুৎতগী রেস্ক্যু তৌখ্রে

কারাচি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ
পাকিস্টানগী সিন্দ হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিশকী ফাখিবা মচানুপা ঙসি অয়ুক অঙনবদা লালহৌবগী ঈরাং কনবা নোর্থৱেষ্ট খাইবর পাখটুনখ্বা প্রোভিন্সতা পাকিস্টানি টালিবানগী মখুৎতগী কনখ্রে হায়রি। ঙসিগী রেস্ক্যু অদু হন্দক থা খরা অসিদা সোম্ব তৌবা ঙন্বা অহুমশুবা হাই-প্রোফাইল এবদক্সন কেসনি হায়রি।

মশামক উকিল অমা ওইরিবা অৱাইস অলি শাহ হৌখিবা থাদা করাচিদগী ফাখিবনি। মহাক মিলিট- রিনা টালিবানগা কন্না লাল শোক্নরিবা অফঘানিষ্টানগা তায়নবা ট্রাইবেল রিজনগী মনাক্তা লৈবা টেঙ্কতা থেংনখিবনি। ওপরেসন অদুদা মিলিটেন্ট অহুম শিখি।

"সিন্দ হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিশ সজ্জদ অলি শাহগী মচানুপা অৱাইস শাহ টেঙ্ককী মনাক্তগী আই বি ও অমগী খুথাংদা টেররিষ্টশিংগী মখুৎতগী কনখিবনি" হায়না ইন্টর- সর্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্সকী দিরেক্টর জেনরেল লেফটনেন্ট জেনরেল অশিম বাজৱানা ত্বিটরদা ফোঙদোক- খি। ওপরেসন অদুদা টেররিষ্ট অহুমসু হাৎখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চহী ৩০ রোম শুগদৌরবা শাহ অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা ইমুংগী মীওইশিংগা নৌহৌননা পূনখি।" নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ তাবদা জেনরেল রহীল শারিফনা ঐঙোন্দা ফোন তৌরক্তুনা ইচানুপা রেস্ক্যু তৌরে হায়বগী পাউ পীরকখি" হায়না মচানুপাগা অমুক নৌহৌননা পূনমিন্নখিবা জষ্টিশ সজ্জদ অলি শাহনা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

লালহৌবা গ্রুপ টহরীক-ঈ-টালিবান পাকিস্টান (টি টি পি)না অৱাইস অলি শাহবু ফাবগী থবক্তু পাঙথোকখিবনি। গ্রুপ অদুনা ঐখোয়গা পাউ ফাওনরি অমসুং সিক্যুরিটিগী তঙাই ফদবা মরম কয়া লৈবদগী মখা তাবা অকুপ্পশিংদি হায়বা য়াদে" হায়না বজৱানা হায়খি।

মায়খুম উপ্পা মীওইশিংনা শাহবু করাচিদা লৈবা সুপরমার্কেট অমদগী হৌখিবা জুন ২০ দা কিদনেপ তৌখিবনি। মহাক নিগোসিয়েসন তৌনবদা ফাখিবা মিলিটেন্টশিং থাদোকহন্নবগী পাম্বৈ অমা ওইনা শীজিন্নরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈখিবনি। শাহবু লালহৌবশিংগী মখুৎতগী ফংলিবা অদু চহী কয়া ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা মশক নাইবা পোলিটিসিয়ন অনীগী মচাশিং কনখিবা থা খরা কান্নরগনি।

হান্নগী হাৎখ্রবা পঞ্জাবগী গভর্ণর সলমান টসীরগী মচানুপা শাহবাজ টশীর চহী মঙা মিলিটেন্টশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লকখ্রবা মতুংদা হৌখিবা মার্চতা বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সতগী রেস্ক্যু তৌখি। মহাক মিলিটেন্টশিংনা ফারগা অফঘানিষ্টানদা থমখিবনি।

হৌখিবা মে থাদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়ৌসুফ রাজা জিলানিগী মচানুপা অলি হাইদর চহী অহুম মিলিটেন্ট কাঙবুশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লক্লবা মতুংদা অফঘানিষ্টানদগী রেস্ক্যু তৌখি। মহাক মুল্টানদগী কিদনেপ তৌখিবনি।

# জর্মনিদা ট্রেনগী পেসেঞ্জরশিংদা শীংজংনা এটেক তৌখিবা আই এসননি : ইস্লামিক ষ্টেট

বর্লিন, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ
শীংজং অমসুং থাঙ পায়বা চহী ১৭কী অফঘান রেফ্যুজী অমনা নিংথৌকাবগী নুমিদাংদা সাউদর্ন জর্মনিদা ট্রেন অমগী পেসেঞ্জরশিংদা এটেক তৌখ্রে অমসুং মীওই কয়া থৌদোক অদুদা ফীভম লুনা শোকখ্রে হায়রি। মশানা এটেক অদু পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা 'অলাহু অকবর' হায়না লাউখিবা নহা অদু পুলিসনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না ববারিয়া ষ্টেটকী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

চৈরকসিদা, ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা জর্মনিগী ট্রেনদা চত্থখিবা মীওই মঙা শোকহনখিবা এটেক অদুবু ক্লেম তৌখ্রে। ক্লেম অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গ্রুপ অদুগী অমাক ন্যুজ এজেন্সীগী খুত্থাংদা থাদোরকখিবনি।

আই এসকী ক্লেম অদু জর্মনিদা চঙজফম থিরিবা চহী ১৭ কী অফঘান নহা অদুনা নিংথৌকাবগী নুমিদাং অথেংবদা ৱুর্জবর্গ হৈদিংসফেল্ডগী মনাক্তা পেসেঞ্জরশিংদা এটেক তৌখিবা মতুং পুং খরা কান্নরগা থাদোরকখিবনি। মনাক্তা লৈরম্বা স্পেসল পুলিসকী য়ুনিট অমনা মহাকপু কাপ্পুনা হাৎখি।

আই এসকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, এটেক্কর অদু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মেম্বর অমনি অমসুং এন্টি-আই এস কোলিসনদা য়াওবা লৈবাকশিংদা এটেক তৌনবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা তৌখিবা আপিলগী পাউখুম ওইনা মহাক্না এটেক অদু পাঙথোকখিবনি।

"থৌদোক অদুবু উহৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, ইমর্জেন্সি কোল মনুংদুদা এটেক্কর অদুনা ট্রেন অদুদা 'অলাহু অকবর' হায়না লাউখি" হায়না বাবারিয়াগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর জোচিম হরমননা জেদ দি এফ টেলিভিজনদা হায়খি। "মহাক্কী কাদা সার্চ তৌবা মতমদসু খুৎনা মচু শংদুনা ইবা আই এসকী ফ্লেগ অমা থেংনরে।"

এটেক্কর অদুগী চপ চাবা পান্দমগী মতাংদা হৌজিক ৱারোইশিন তাবা ঙনমল্লি হায়না হরমননা ফোঙদোকখি। ওথোরিটিশিংনা মশক তাকখিদবা এটেক্কর অদু চহী অনীগী মমাঙদা জর্মনিদা মহাকপু শেন্নবা অহল ওইবা মীওই য়াওদনা মাইনর অমা ওইনা লাকখিবনি অমসুং মমাঙ চহীগী মার্চতা মহাক্না লৈবাক অদুদা চঙজফম পীবীনবা চে থাখি। মহাক মমাঙদা চহী নৌরিবা রেফ্যুজীশিংগী হোম অমদা লৈরক্লবা মতুং চয়োল অনীগী মমাঙদা ৱুর্জবর্গতা লৈবা য়োকপী-থাকপীবা ইমুং অমদা লৈহনখিবনি। ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ইমুং অদুগা, ৱিটনেসশিং অমসুং এটেক্কর অদুগী মরুপ-মপাংশিংগা ৱারী শানখি।"

এটেক্কর অদুনা নিংথৌকাবগী অহিংদা ৱুর্জবর্গ হৈদিংসফেল্ডগী মনাক্তা য়ামদ্রবদা মীওই মরি শোকহনখি অমসুং মফমদুদগী নাম্থোক্লবা চেনবদা ট্রেনগী মপানদা নুপী অমসু শোকহল্লমখি।

ৱিটনেসশিংনা হায়খি, ট্রেন মনুংদু ঈখেং ময়াম তৈখি অমসুং য়েংবদা শা হাৎফম মানখি হায়না জর্মন ন্যুজ এজেন্সী দি পি এনা হায়খি। মতমদুদা পেসেঞ্জর ৩০ রোম ট্রেনদা লৈরম্মী, মীওই কয়ামুক পাত্থৎপগী ট্রিটমেন্ট পীখি।

কনাগুম্বা অমনা ইমর্জেন্সি কোর্দ চিংলবা মতুংদা এটেক্কর অদু ট্রেনদগী চোংথোকখি। মিটর ৫০০ রোম চেনখ্রবা মতুংদা পুলিসকী স্পেসল য়ুনিটনা মহাকপু তান্নখি।

পুলিসনা মনাক্তা নকশিল্লুবা মতমদা এটেক্কর অদুনা ওফিসরশিংদা এটেক তৌবা হৌরকখি। মদুদা পুলিসনা মহাকপু কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়না হরমননা ফোঙদোকখি। লৈবাকপোকপগী অঙনবদা ওফিসরশিংনা এটেক্করদুগী হকচাং অদু মফমদুদগী লৌথোকখি। চাইনিজ টুরিষ্ট ফেমিলিগী মেম্বরশিং ওইবা য়ামদ্রবদা ভিক্টিম অনী ফীভম লুনা শোক্লে হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি।

জর্মন ওফিসলশিংনা ভিক্টিমশিং অদু আইদে- ন্টিফাই তৌখিদে, তৌইগুম্বসুং হোং কোংগী ইম্মিগ্রেসন দিপার্টমেন্টনা লৈবাকপোকপদা ফোঙদোকখি মদুদি, এটেক অদুদা শোকখিবশিংগী মনুংদা সাউদর্ন চাইনিজ সীটি অদুদগী মেম্বর মঙাগী ইমুং অমগী মীওই মরি য়াওই। ইমুং অদুদা মতেং পীনবা হোৎনরি হায়না দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি তৌইগুম্বসুং অকুপ্পা মরোলশিংদি ফোঙদোকখিদে।

# নোর্থ কোরিয়ানা বেলিষ্টিক মিসাইল ৩ ঈশিংদা কাপশিনখ্রে



সিওল, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ
সাউথ কোরিয়ানা য়ু এসকী এদভান্স মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমা লৈবাক অদুদা দিপ্লোয় তৌবা য়াহনখিববু প্রোটেষ্ট তৌবগী মওংদা নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি বেলিষ্টিক মিসাইল অহুম ইষ্টর্ন সীদা কাপশিনখ্রে হায়না সিওলগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

নোর্থ কোরিয়াগী নোংচুপ থংবা টাউন অমদগী কাপখিবা মিসাইলশিং অদু লৈবাক অদু লাল্লবা মতুংদা ইষ্টকোচকী মনাক নক্না ঈশিংগী ঈমায়দা তাশিনখি হায়না সিওলগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

মিসাইল অনী কিলোমিটর ৫০০ দগী ৬০০ ফাওবা পাইদুনা সাউথ কোরিয়া অপুম্বা য়ৌবা ঙমই হায়বদু উৎখ্রে হায়না জে সী এসকী স্পোক্সমেন জিওন হা গ্যুনা হায়খি। মহাক্না হায়খি, সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা অহুমশুবা মিসাইল অদু কয়াম শান্না পাইখিবগে হায়বদু লেপ্পবা এনালাইসিস তৌরি। মমাঙদা জে সী এসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মিসাইল অহুম্মক কিলোমিটর ৫০০ দগী ৬০০ ফাওবা পাইখি।

পেন্টাগনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, য়ু এস ষ্ট্রেটেজিক কম্মান্দ সিষ্টেমনা ট্রেকিং তৌবদা নোর্থ কোরিয়ানা থাগৎলকখিবা মিসাইল অহুম এসেস তৌখি। মিসাইল অনীদি স্কদ টেক্টিকেল বেলিষ্টিক মিসাইলশিংনি হায়না লৌরে, অমনা রোদোং ইন্টর- মিদিয়েট রেঞ্জ বেলিষ্টিক মিসাইলনি হায়না লৌরে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারদুনা মিসাইল লোঞ্চশিং অদুনা নোর্থ অমেরিকাদা থ্রেট অমত্তা পোকহনবা লৈতে হায়খি।

নোর্থ কোরিয়ানা শোর্ট রেঞ্জ মিসাইলশিং অমসুং অর্টিলরি সিষ্টেমশিং রুটিন ওইনা টেষ্ট তৌই তৌইগুম্বসুং খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল লোঞ্চশিং অদু সাউথ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী সিওংজু টাউনদা টর্মিনেল হাই-অল্টিচ্যুদ এরিয়া দিফেন্স, নৎত্রগা থাদ সিষ্টেম দিপ্লোই তৌনবগী অয়াবা পীখিবগীদমক্তা "তম্বা ঙমদবা ফিজিকেল কাউন্টর এক্সন" পায়খৎকনি হায়না ৱার্নিং তৌখিবা নুমিৎ কয়ানিমুক্কী মতুংদা পাঙথোরকখিবনি।

জিওন্না হায়খি, থাদ দিপ্লোইমেন্টগী মায়োক্তা খুৎলাই উৎপা প্রোটেষ্ট অমনি হায়না লৌবা য়ারবা মিসাইল লোঞ্চশিং অদু সাউথ কোরিয়ানা কন্দেম তৌই।

টোকিয়োদা জপানিজ দিফেন্স মিনিষ্টর জেনরেল নাকাটানিনা হায়খি, মিসাইল লোঞ্চশিং অদু রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনল সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীবা কায়হৌবগী থৌওং অমনি। ঐখোয়না মদু য়াবা ঙম্লোই।

সাউথ কোরিয়াগী অয়াম্বা শরুক, জপান অমসুং লৈবাক অনীসিদা লৈরিবা অমেরিকান মিলিটরি বেজশিং অমত্তা চীৎথদনা য়ৌগদবা মিসাইল মখল কয়া নোর্থ কোরিয়ানা হান্না দিপ্লোই তৌখ্রবনি। লৈবাক অসিনা য়ু এসকী মপুং লমদা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙমগদবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই হাপকদবা অশানবা মিসাইল অমসু পুথোক্লবা হোৎনরি। তৌইগুম্বসুং সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স ওফিসলশিংনদি নোর্থকী অসিগুম্বা খুৎলায় লৈতে হায়না থাজরি।

# টাইৱানদা চাইনিজ টুরিষ্টশিং তোংবা বস মৈ চাকপদা মীওই ২৬ শিরে

টাইপৈ, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ
ময়ুমদা পাইখিগদবা মেনলেন্দ চাইনিজ টুরিষ্টশিংবু এয়রপোর্টতা পুরিবা টাইৱানগী বস অমা মৈ চাকখিবগা লোয়ননা কায়খ্রে অমসুং মদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর ২৬ মক শিখ্রে। পেসেঞ্জর কয়ানা মৈরক্তগী নাম্থোক্নবা হোৎনবদা মায় পাকখিদে হায়রি।

টাইৱানগী সেফটি রেকোর্দতা ৱাহং কয়া লাকহনখিবা পরিং নাইনা থোক্লকখিবা মাঙ-তাকপগী মশক ওইরবা শাথীরবা এক্সিদেন্টশিংগী মনুংদা টুরিষ্ট বস এক্সিদেন্ট অসিনা খ্বাইদগী ইনৌ নৌবনি।

টাইৱানগী ওফিসল সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সী (সী এন এ)গী রিপোর্টনা উহৌবশিংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, বস অদু এয়রপোর্ট তাবা হায়ৱেগী রেলিংদা থেংজিনদুনা কায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা মৈ চাওনা হৌবগা লোয়ননা হায়ৱেগী লেন অমদগী লেন অমদা থৌজিল্লগা চেল্লকখি। মিদিয়া ইমেজশিংনা মৈখু মপৈ-মপৈ কাখৎপগা লোয়ননা লম্বীগী নাকলদা মৈ চাকথেকখ্রবা বসতু তাবগী শক্তমশিং উৎখি।



টাইৱান মচা ওইবা ড্রাইভর অমসুং টুরগী গাইদ অদুগী মথক্তা বস অদুনা নুমিৎ নিপান্নিগী টাইৱান টুরদা লাকখিবা চাইনিজ টুরিষ্ট ২৪ নোর্থ ইষ্টর্ন লিয়াওনিং প্রোভিন্সতগী টাওয়ুৱান এয়রপোর্ট তম্না পুখিবনি। মখোয় মখোয়গী খোঙচৎ লোইরদুনা ময়ুম হনবগী ফ্লাইট ফানবগীদমক্তা এয়রপোর্টতুদা চৎখিবনি।

"মৈ অদু য়াম্না থুনা শন্দোকখি। মীওই ২৬ মক শিখ্রে" হায়না নেসনল হায়ৱে পুলিস ব্যুরোগী লু কুই য়াওনা পাউমীশিংদা হায়খি।

টাওয়ুৱানগী ফায়র চীফ লাই চি-চোংনা হায়খি, ভিক্টিম পুম্নমক বস মনুংদা শিখিবনি। "মখোয় মনুংদগী নাম্থোক্নবগী মতম মরাং কায়না ফংখিদে" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এক্সিদেন্ট থোকফমদগী লৌখিবা ইমেজশিংনা বস অদুগী থোঙ অনীমক 'হায়ৱেদুগী নাকলগী গার্দ রেইলদা কন্না ঙাশিন্দুনা লৈদুনা মনুংদগী হাংদোকপা ওইথোক্লোইদৌবগী ফীভম উৎখি।

অশিবা হকচাং খরা হাংদোক্তবা ইমর্জেন্সিগী থোঙনাওগী মমাঙদা লোন্নরগা লৈরমখি হায়না সী এন এগী পাউনা ফোঙদোকখি। অশিবা হকচাং কয়া ফীভম থীনা কাথেকখ্রে হায়রি।

টাইৱানগী কেবিনেট স্পোক্সমেন টুং চেনয়ুৱানা হায়খি মদুদি, ভিক্টিমশিংগী মরী-মতাশিংদা চাইনাদগী টাইৱানদা লাক্নবগী মতেং পীগনি।

কুমজা ২০০৮ দা টাইৱানদা চাইনিজ টুরিষ্টশিং চঙহনবা হৌখিঙৈদগী ঙসিগী থৌদোক্তু চাইনিজ ভিজিটরশিং চেন্নবা ঈথৎ অদুদা থোকপা খ্বাইদগী শাথীবা এক্সিদেন্টনি হায়রি।

# খ্বাইদগী ৱান্টেদ ওইবা আই এসকী টেররিষ্ট হাৎখ্রে

জকার্টা, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ
মালেমগী খ্বাইদগী ৱান্টেদ ওইবা আই এস টেররিষ্টশিংগী মনুংদা অমা ইন্দোনেসিয়াগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

ইষ্টর্ন ইন্দোনেসিয়া মুজাহিদীনগী লীদর সান্টোসো চীংগী লমদম ওইনা তৌবা সুলাৱেসি ঈথৎতা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। মহাক মফম অদুগী জঙ্গল অমদা মহাক্কী খোঙলোই খরগা লোয়ননা লোৎতুনা লৈরকখিবনি।

মহাক্কী গ্রুপনা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা শাথীরবা এটেক কয়া চত্থদুনা লাকখি লোয়ননা লমদম অদুগী মফম কয়াগী লালহৌবা কয়াসু মিলিটরি ট্রেনিং পীখি। কুমজা ২০১৪ দা মহাক্না ইস্লামিক ষ্টেটপু শৌগৎলে হায়না লাউথোকখি। চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মহাকপু গ্লোবেল টেররিষ্টশিংগী লিষ্টতা হাপচিনখি।

সান্টোসোবু হাৎখিবা অসিনা ইন্দোনেসিয়াগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মেম্বর লিশিং কয়া চেন্নদুনা চহী মঙা চুপ্পা চত্থরকখিবা অচৌবা থি-হুম্বগী থবক্তু লোইশিল্লগনি। কুমজা ২০০৭ তা খৃষ্টান মহৈরোয় অহুম মঙক কক্তুনা হাৎখিবগী জেলদা থম্লকপদা নাম্থোকখিবা মহাক্কী দেপ্যুটি বাশরিসু শিরম্বা য়াই হায়রি।




# EMPLOYMENT NEWS

## RBI RECRUITMENT NOTIFICATION 163 OFFICERS JOBS VACANCY

RBI Recruitment of Officers in Grade 'B' (General) - DR – Batch Year 2016:Reserve Bank of India (RBI),HR Department, has published employment notifications for total 163 Officers in Grade 'B'(General)Direct Recruitment vacancies . Interested Indian candidates may apply for this jobs online on or before 9th August 2016. All other vacancy details are given below.

**Vacancy Details of Reserve Bank of India (RBI)**

| | | |
|---|---|---|
| Total No. of Posts | : | 163. |
| Eligibility | : | Degree |
| Application Closing Date | : | 9th August 2016 |
| Name of the Posts | : | Officers in Grade 'B'(General) Direct Recruitment - (DR) |

Category Wise Vacancy:

| | |
|---|---|
| Unreserved i.e., General (GEN/UR) | - 77 Posts |
| Other Backward Classes (OBC) | - 52 Posts |
| Scheduled Castes(SC) | - 26 Posts |
| Scheduled Tribes(ST) | - 8 Posts |

**Important Note:** Candidates belonging to OBC category but coming in the 'Creamy Layer' are not entitled to OBC reservation. They should indicate their category as 'General (GEN)

Out of 163. vacancies mentioned above, 6 vacancies are reserved for candidates belonging to Persons with Disability (PWD) category – 2 vacancies for Visually Handicapped (VH) and 4 vacancies for Hearing Impaired (HI). Persons with Disability may belong to any category - GEN/SC/ST/OBC.

**RBI Events Important Dates**

On-Line Registration of Applications and Payment of Fees/ Intimation Charges starting date:18 July , 2016 to August 9, 2016
Phase-I Online Examination :September 4, 2016
Phase-II Online Examination:September 9, 2016

**RBI Recruitment Eligibility Criteria**

**Educational Qualification:** Candidates should possess minimum of 60% marks (50% in case of SC/ST/PWD) or an equivalent grade in Bachelor's degree as well as in 12th (or Diploma or equivalent) and 10th standard examinations. The minimum qualifying percentage or an equivalent grade for the Bachelor's Degree will be in aggregate for all semesters / years. See detailed for Educational qualification for Officers posts in Notification.

**Age Criteria:** Candidates age should be between 21-30 years (candidates must have been born not earlier than 02/07/1986 and not later than 01/07/1995) & 32 and 34 years for M.Phil and Ph.D qualification candidates as on 01-07-2016. Age relaxation is 3 years for OBC, 5 years for SC/ ST, 10 years for PWD (GEN), 13 years for PWD (OBC) &15 years for PWD (SC/ ST) candidates as per RBI recruitment notification.

**Number of attempts:** Candidates belonging General Category, who had already appeared Six times for RBI Phase-I Examination for this vacancy in the past, are not eligible to apply. There are no restriction candidates belonging to SC/ST/OBC/PWD.

**Mode of Selection :** Candidates will be selected through performance in online Examination and interview.

**Phase I Examinations:** This Paper carry 200 marks objective question,The Paper consists tests of (i) General Awareness (ii) English Language (iii) Quantitative Aptitude and (iv) Reasoning, with composite time of 120 minutesPhase 1 Examination: 200 marks objective type question .only for the candidates who are shortlisted on the basis of results of Phase-I then The Phase-II examination will be held on.

**Phase II Examinations:** This Paper carry 300 marks objective & Descriptive question,Paper-I-Economic and Social Issues ,Paper II-English (Writing Skills) ,Paper-III-Finance and Management

**Interview Details:** Only shortlited candidates will be called for interview, basis of marks obtained in Phase-II (Paper-I +Paper-II +Paper-III).Interview will be of 50 marks. Candidate may opt for interview either in Hindi or English.

**Application Fee:** Candidates should pay Rs. 850/- for Gen/ OBC & Rs.100/- for SC/ ST/ PWD (Non Refundable) through online by using Debit Cards (RuPay/ Visa/ MasterCard/ Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.

**How to Apply RBI Vacancy**

Eligible candidates may apply Officers Jobs Vacancy online through the website www.rbi.org.in on or before 09-08-2016.

## INTELLIGENCE BUREAU RECRUITMENT SECURITY ASSISTANT VACANCY 209 POSTS

Intelligence Bureau (Ministry of Home Affairs) Govt. of India recruitment Security Assistant/Motor Transport Examination application Form.IB Recruitment 2016:Intelligence Bureau has published an employment notification for the recruitment of Security Assistant(Motor Transport jobs vacancy at http://mha.nic.in/vacancies.Interested indian candidates may apply for this IB recruitment rally on or before 6th August 2016.See other IB Vacancy details.

**About Intelligence Bureau**

**Intelligence Bureau(IB) Recruitment**

The Intelligence Bureau (IB) is India's internal intelligence agency and the world's oldest intelligence agency.It was recast as the Central Intelligence Bureau in 1947 under the Ministry of Home Affairs. It was formed in 1887 and headquarter in New Delhi,India.It's parent agency Ministry of Home Affairs and website is http://wwm.mha.nic.in/

Intelligence Bureau Recruitment Vacancy Details in 2016

Indian candidates who are searching and seeking for Security Assistant Posts in 2016 at IB Recruitment should apply online through http://www.mha.nic.in/

No of Total Posts : 209
Eligibility: 10th pass , also check for other 12th pass jobs
Application Closing Date : 6th August 2016
Name of the Vacant Posts : Security Assistant(Motor Transport)

**Location Wise Posts:**

| | | |
|---|---|---|
| 1. Agartala | : | 04 Posts |
| 2. Ahmedabad | : | 06 Posts |
| 3. Aizawl | : | 02Posts |
| 4. Amritsar | : | 04 Posts |
| 5. Bangalore | : | 04 Posts |
| 6. Bhopal | : | 07 Posts |
| 7. Bhubaneswar | : | 04 Posts |
| 8. Chandigarh | : | 03 Posts |
| 9. Chennai | : | 04 Posts |
| 10. Dehradun | : | 04 Posts |
| 11. Dibrugarh | : | 02 Posts |
| 12. Delhi (IB Hqrs) | : | 45 Posts |
| 13. Gangtok | : | 03 Posts |
| 14. Guwahati | : | 04 Posts |
| 15. Hyderabad | : | 04 Posts |
| 16. Itanagar | : | 08 Posts |
| 17. ITBF Leh | : | 08 Posts |
| 18. Imphal | : | 04 Posts |
| 19. Jaipur | : | 10 Posts |
| 20. Jammu | : | 04 Posts |
| 21. Kohima | : | 06 Posts |
| 22. Kolkata | : | 03 Posts |
| 23. Lucknow | : | 05 Posts |
| 24. Meerut | : | 03 Posts |
| 25. Mumbai | : | 06 Posts |
| 26. Nagpur | : | 05 Posts |
| 27. Patna | : | 06 Posts |
| 28. Ranchi | : | 06 Posts |
| 29. Raipur | : | 05 Posts |
| 30. Shimla | : | 01 Post |
| 31. Shillong | : | 06 Posts |
| 32. Srinagar | : | 05 Posts |
| 33. Trivandrum | : | 08 Posts |
| 34. Varanasi | : | 06 Posts |
| 35. Vijayawada | : | 04 Posts |

**IB Vacancy Pay scale for Security Assistant Jobs:**
Candidates will get pay monthly salary of Rs. 5200-20200 plus Grade Pay Rs. 2000(PB-1)(Plus admissible Central Government allowances).Candidates may visit the Intelligence Bureau Recruitment Notification site.

**Intelligence Bureau Vacancy Eligibility Criteria in 2016**
Candidates who are willing to apply at IB for security Assistant post should meet age,educational and other criteria as per recruitment notification.

**Age Criteria:** Candidates should be up to 30 years of age as on 06-08-2016. Upper age relaxation of 5 years for SC/ ST & 03 years for OBC up to 40 years for departmental candidates & others is applicable as per IB instructions or orders issued by the Central Government from time to time.

**Educational Qualifications:** Candidates must have Matriculation or equivalent, Possession of valid driving license for motor cars (LMV) issued by the competent authority, Knowledge of motor mechanism & Experience for driving a motor car for at least one year after obtaining valid driving license.

**IB Selection Process:** Candidates will be selected based on skill test & medical examination.

**Examinations Fee:** Candidates need to pay examinations fee of Rs. 50 /- for male candidates belonging to General & OBC category by cash deposit at any branch of State Bank of India using the Challan form (available in part-II of the online application). There are no fee for SC/ ST & female candidates.

**How to apply Intelligence Bureau Jobs**
Eligible Indian candidates can apply Security Assistant(Motor Transport) vacancy online through website www.mha.nic.in on or before 06-08-2016 at 23:59 hours.

**Intelligence Bureau Vacancy Skill Test 2016:**
The candidates would be required to drive a motor vehicle as directed by the instructor. Practical knowledge of the candidates about the vehicle and removal of minor defects/snags, in the vehicle, its upkeep and maintenance, etc would be tested.

HL-B/3200/18/07-17/08